

*“তাংখুল অমনা হায়, উ অমবুসু, নূং অমবুসু লাইনি হায়না খুরুম্বা লাল্লি। মৈতৈ অমনা খুম্মী, লাইমক নৎত্রবসু লাইগী মহুৎ শিনবগুম্বনি।”*

*- লাইশ্রম সমরেন্দ্র*

*(উখুল ডাইরি)*

## জেনরেল ইলেক্সন

**—নন্দো হাওরোংবম**

খাঙেনফম য়ৌরক্লে, জেনরেল ইলেক্সন
পুং য়ৈবা, ঈশৈ শকপা তাদ ও
ফিজোল নান্না থন্বীয়ু
তাবা ফংলনি নোংমৈ কাপ্পগী খোঞ্জেলসু
ইমাগী ইবুংঙো... ইবেম্মা।

জেনরেল ইলেক্সন লোইরগা
কনা অমুক লাক্তুনা ইংনা চিক্না নৎত্রগা
খরাইথক্কী লেমলৈ ঙাগুম ওৎলগনি
অপংবা মীচম মীয়াম্বু।
থৌনা ফবা শাব ও, ৱাজাউ ঙাঙগনু
মাঙগী পুন্সি তেনবনি...।
য়ূমদা লোইবা হুইসু মপু চিকপনি কাউফদে।

অসুক কুইরবা মতমসে হংলখিদে ঐবু কনামত্তনা
খাঙেনফম য়ৌরক্লবদা, জেনরেল ইলেক্সন্না
হংলক্লি ঙসিদি করি চাসিগে, থকসিগে
ওইদে ঐদি নখোয়গুম মীথিবোং মীতম্বাল।

## মঙ মচেৎশিং

**—জাতিশোর তোংব্রম**

মঙ মঙগদবা কিরে ঐ
মঙলোইদবসু অমুক কিজৈ
লমশিনি হায়গদ্রা খল্লুবদা।
শিরে হায়গেরা হিংলি খনগেরা
পুন্সিসে
মঙলান মচেৎ ’মফাও মঙলুদনা
চৎখিবদুম পাল্লে ঐদি।

অঙনবা অয়ূক্তা
মঙ কয়ানি ঐনা মঙখিবা
মখোয়না ঐবু ফৈজৈ চিংবদা
কাঙদ্রুম ওনখি কোকসি,
চৎখি নুংথিলদসু
মঙ মরূশিং খূল্ল-খূল্লদুনা
থম্মোয়গী কাংখুল কয়াদগী
অদুবু কংখি
ময়োন চোঙদনা অদুম কংখি
মঙখিবা মঙ মরূশিংদু
পোৎলুমগী নম্বো পোরিঙৈদা।

মঙাল শান্নবা
নুমিদাংৱাইরমগী মতমসিদসু
লাক্লি মঙ মচেৎশিংনা
তন্দনগুম্না কুফেৎ-কাফেৎ।
চুমথাং মখোঙ তান্ন-তান্নদুনা
অসুম চৎপা অদুম ৱাবা
মসিনা পুন্সিগী মচৎলা?
নৎত্রগা নোকপা শুন্দ্রংদা তাউবা
মদুনা অচুম্বা ৱাহন্থোক্লা?

মঙ মঙখিসিরা ঐবু
নৎত্রগা মঙলরোইসিরা
লাকপদি লাক্লি মীৎমাঙদা থল্লি
লোয়নাইদবা মঙ মচেৎশিং।
নুংশিদকো হে পুন্সি!
য়াহিপখ্রনিদো নঙদি অসুম
মঙফাওনদ্র’ মঙলানশিংনা
কাইখুমফিবু ওইরদুনা।

## তাইবঙপাল

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অমম্বা অহিংসু লোইখ্রে
অঙানবনা মহুৎ শিনখ্রে
মংলম্বা নোংসু তাখ্রে
তশেং তশেংবা অতিয়ানা মহুৎ শিনখ্রে।

হৈরাং লৈরাংশিংদা পকহৌবা
নোংলিকশিংদি লেঙদনা লৈহৌরি
ইনখৎলকপা মতমগী য়েন্নিংথাবু
নাথৈদুনা করম চৎকনি ।

মথোৎ কারকপা ইনখৎলকপা পুন্সি
নাথৈদুনা খক চৎপা ঙমদে
মচু মচুগী হৈরাং লৈরাংশিংনা
য়েন্নিংথা মাবু থৌগল তৌরি।

নাথৈদুনা চৎকে হোৎনরুবা অরেম্বদা তারি
নীংশিংলুরগা হৌখ্রবা থৌদোক ৱাথোক কয়া
মতম মানা চৎখ্রবদা
অমুক হন্না লাক্লরোই।

য়েন্নিং পন্থাগী হৈরাং লৈরাংসু
খৌবুম থল্লবা হৈনম লৈনমসু
অনৌবা চহীনা লাকপদা
লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।

অসুম্না চৎখি পুন্সিগী খোঙচৎসু
নোংমা নোংমা হৌখিবনা
মরু কোক্লবা হৈরাং লৈরাং পান্বীগুল্লে।
ঙসিদি মালেম লৈমায় থক্তা
উপনা লোংনা চাইরদুনা তারি
ময়াগী তাইবঙনি
মপূ মাগী খূৎশেমনি।

নঙ ঐদি তুরেলগী কাওশিংগুম্বনি
ঈয়াইদা তাওবা কোঙ্গোলনা
তাকখিবগুম নোংমদি তাকখিগনি।

## খাঙসি ইমা

**—কে কুলবিধু**

খাঙসি ইমা মীওৎ মীনৈ
হৈথরক্লিবা অখাক অরাও
নোংলৈ নুংশিৎনা ফুরক্লিবা
উপাল ৱাপাল, য়ূম কৈ
বন্দ ব্লোকেদনা পীরিবা
অৱাবা চৈথেং কয়াসে
ওইজবা থিবা তাইবঙনা
উবিদে অতোপ্পগী অৱাবা
হৌনশানি তাইবঙ লীচৎনি।
মশাদা পালক্লবা মতমদা
ফংলক্কনি চৈনা মখোয়সু
চৈনা লাকখিনি থম্মোয়দা
পুকতপ্পী মালেম লৈম ও
নীংথিবী মহৌশানা লৈতেংবী
অইংবা শরতকী থাবলনা
লেমজবী মায়থোঙ ওইবী
পকচদে মীকপ মীরাওখোল
পিরাংনা চোৎলবা মায়থোঙ
মেল্লৈনা ৱাংলবা চীংদোলদা
লৈকা ফন্না নোক্লিনে,
য়ারল পাৎতসু কোন্বীরৈনা
লৈকা ফন্না নোক্লিনে
থাদসু লৈচিন্না মকুপই
কুইনদি কুপশিনবা ঙমদে
থোরকই মোঙহাদনা লৈচিল্লক্তগী
উৎলকই তঙাংলবা মায়থোঙ।

## য়েকঙমদ্রবা শক্তম

**—কুলচন্দ্র মোইরাংথেম**

পূক্লিংগী মিৎনা উরুবা
থৌদোক খুদিং তুরিনা
য়েক্লে মিতাবা শক্তম
লাইয়েকপা অমা ওইনা
লৈকোল লৈরাং
খূৎশেম মহৌশা
য়েক্ত্রে শক্তম ’মদি
উরসু পূক্লিং মিৎসিনা
লৈখোক তিন-চঙলবা
য়েন্নিংথাদা য়েন্নিং হুন্দ্রবা
লৈনা লৈয়োন
শিঙেল লৈকা
রাহু কেতুনা পামজবা
খয়াৎতা তারবী থাজ
য়েক্ত্রে অৱাবগী তুরিনা
মঙাল থোক্ত্রবা থাজ
পামজবনি ফজবা
ফজবনা পুখিনি।

## খঙবীখিদ্রবা অদুঙৈ

**—মেঘ কোলোম**

লংজখিদে ইরালবুদি কনাদা
হনখি খোংথাং ’মত্তংদি
লংজিল ফংঙল্লোইদ্রবা লংলাদুই
থোকপা ঙল্লমদ্রবা কিশিদুই।
ফোঙমদবা নৎখিদে ফোংখিদ্রবা
চল্লমখিবা পাউখোং কয়াদুসু;
থাপ্না তাম্নরা ইরুদুদই
ৱাংনা চেন্থরকখিবা ঈচেল
ঙাকঙল্লোইদবা শোল্ল তোর্ব্বান
মাঙখিগদবা য়ৌঙমদ লমখাং;
নাথৈখি খাংঙমদ্রবা পূক্লিংগী
ইকুম থাগী ঙাউর ঈচাও,
খাঙখি শাহুমদুসু খাংঙমদ্রবা
অদুঙৈ য়েন্নিং থাজৎতুই
অচিক অৱান্থাই নোংলৈসু
কায়খিবদো তাইশিল্লমদ্রি।
তোরৈদুনি নঙদি মনীং তল্লমখ্রবা
পল্লম লৈশিল্লমগদবা মীকুপ মত্তং
নেল্লা তোর্ব্বান হিদেন্নুংদুদা
খঙহৌদ ঈহৌরকপা নোংজুদুই
তাহৌগদবা মমিদুখক কোকঙমদ
কংখিগদবা লেপখিবদা নোংহৌদুনা।

## মীয়ামদা মীনমগনু

**—থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ**

করিগীনো নখোয়না মীয়ামদা মীনল্লিবা?
মীয়াম্বু অপঙবনি খল্লিবা?
হৌজিক্কী মতমবু অপঙবা মী লৈরিবা?
অঙাওবা ফাওবা শেল পামদ্রা?
মীয়ামগী চাকথুং শুনা পীদ্রিবা করিগীনো?
সেন্টরনদি শুনা পীরকপা নৎত্রা?
লায়রবা মীয়ামগী খন্দুনা পীরকপা
চেঙ, হৱাই, চিনি, কেরোসিন কদাইদা লোৎখ্রে?
ব্লেকতা লোইনা চৎখ্রব্রা?
মীয়ামদি করি চাদুনা হিংগনি?
করিগী মীয়ামদা মীনল্লিবনো?
মীগী মরল চারগা নুংঙাইব্রা?
মীগী মরল চারগা নুংঙাইরিবা
জোম রাজনা হরাউ হরাউ লৌশিনবীগদ্রা?
নোরোক্কী কোমদা লৈরোইদ্রা?
মদু নঙগী তৌবিমলনি খঙউ
মণিপুর য়ৌরকপদা শ্বাই মাঙলিবা করিগীনো?
ৱাথোক্না থল্লবা ইরমদমসিদা
কান্নবা করিনো লৈঙাক অমা লৈবগী?
বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী লম
লৈঙাক্কী অঙম্বা থৌনা উৎপীয়ু
মীয়ামদা মীনমগনু।

*পাউচে অসিবু নুংশিবীদুনা শৈরেং ইবিরক্লিবশিংনা ইশাগী শৈরেং অদু পাবা থোক্লবা ইবিরকউ। চে মচেৎতা ইরকপগী মহুৎতা A-4 সাইজদা ইবিরকউ।*

# BETWEEN THE POET AND HER PENCIL

## (ঐখোয়গী খোরিরোলদা অনৌবা মায়ওন অমা পীরিবা শৈরেংশিং)




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | Between the poet and her pencil |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবা | ঃ | ডা. বোন্দিনা এলাংবম |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | প্রোগ্রেসিব রাইটর্স এসোসিয়েসন, মণিপুর |

*ঐখোয়গী* খোরিরোলদা ফেমিনিজমগী লান হৌখিবদি ফনা কুইরে। মঙমদি ঈশান শান্দ্রি হায়বা য়াই। নুপাগী মায়োক্তা লান হৌবখক্তনদি ফেমিনিজমগী পন্থুং ওইবা য়ারোই, মখোয়গী হায়বদি নুপীগী পুন্সিদা থেংনরকপা, অৱাবা, পেন্দবা, অকিবা, অমদি থমোয়দা ফাওরকপা মৈরী চেনবা ৱাহৈ কয়া হায়দোরকপা তাই। মদুবু কনফেসনেল পোইত্রি কৌনরি। ১৯৬০ অদুৱাইদগী হৌরকপা শৈরেংগী মশক্নি। "It deals with facts and intimate mental and physical experiences of the people's own life. It was written in rebellion against the demand of impersonality of T.S. Eliot." কয়া য়াম্না থমোয় তিংনা হায়দোকপা ঙল্লবগে হায়বদুনা শৈরেং মখল অসিগী মঙল লেপ্পী। নুপীদা মসিগী কন্না ইরম্বীদি আমেরিকাগী Sylvia Plath নি। ভারতকী হায়রগনা Kamala Das পনবা য়াই। তশেংবদি মসি T.S. Eliot খোয়গী ৱাখল্লোন, "Poetry is not a turning loose of emotion but an escape from emotion" হায়বা অমদি "Poetry should be impersonal and a reflection of the changing society" হায়বা শৈরেংগী ৱাহন্থোকশিং অদুবু শীংনদুনা ইবা হৌনরকখিবনি। Feminist কাঙবুনা খূৎলাই ওইনা কন্না হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা খূই মওংনি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমদি ঙসি পায়খৎচরিবা ডা. বোন্দিনা এলাংবম্না ইংরাজিদা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অসি পারুবদা ফাওরকপা ৱাখলদুনি। শৈরেং ৭০ য়াওবা লাইরিক অসি পাবা য়াই, নান্নসু পুথোক্লকই। অদুগী মথক্তা ঐখোয়গী খোরিরোলদা অনৌবা মায়ওন অমা পীবা ঙমগদবা খূৎইনি। Confessional Poetry গী য়ক লাউবা শৈরেং খরা য়াওরি। অদুগা Metaphysical Conceit য়াওবা শৈরেং খরসু অদুম থেংনৈ।

অইবী অসিনা Sylvia Plath অমদি Kamala Das খোয়গী শৈরেং পারম্বা য়াই নৎত্রগা পারমদবসু য়াই। অদুবু থমোয়গী পেন্দবা, অনীংবা কয়া মকা ফোংলকপদি মখোয়না হেল্লরোই। নুপা খুন্নাইবু পেন্দবা ফোঙদোকপদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং ঐখোয় তাব-হৈবা ঙম্বা নৎলক্ত্রবনি। খন্থরুবদা অচুম্বদি হেক্তা য়াওবা ঙাক্তনি। নুপা মখৈনা ভাব তাজগদবা, ইকাইজগদবা মতমদু য়ৌরক্লবনি। Sylvia Plath কী ৱাহৈ খরা য়েংবা য়াই। মাগী Lady Lazarus হায়বা শৈরেং অদুদা অসুম্না ইরি, "Herr God, Herr Lucifer/Beware/Beware/Out of the ash/I rise with my red hair/And I eat man like air." শিরিমখৈ Lazarus কুম হিঙগৎলকখিনি, অদুগা নুপাবু ফাদুনা নুংশিৎকুম চাথোক্লখিনি হায়রিবনি। মানা মাগী নুপাবু অসুক্কী মতিক পেন্দ্রে হায়বদু ফোঙদোক্লি। অমুকসু ভারতকী Kamala Das সু নুপাগী তোংশাদবু কল্লকপা, নুংশিবা হায়বদুদি হোংদোক হোংজিন য়াবগুম খনবা মচৎপু পেন্দে, অদুনা চৈরি, "You were pleased/with my body's response/it's weather, it's usual/shallow convulsion." (The old play house)। অদুবু ৱাফম অমদি Kamala Das কী ৱাখল্লোন নোংচুপলোমগা খেন্নৈ। মানা হায়, “নোংচুপকী ফেমিনিজমদি নুপাগী মায়োক্তা হৌবা লাননি। ঐগীদি মদু নত্তে, ঐদি ঐগী নুপাবু, ইচা নুপাবুসু নুংশি। নুপাগা লৈমিন্নরগনি পুন্সিদা নুংঙাইবা ফংলিবা। অদুবু ঐনা পাম্মী, নুপানা নুপীবু খঙবীবা, নুপীসু থৱায় পাল্লি হায়বা কাউবীদবা, ভাব তামিন্নবা।”

মাগী পরিং অসিদনি ঐখোয়গী অইবী বোন্দিনানসু চঙশিল্লক্লিবা। মাদি নুপী ওইনা পোক্লবগী নুংঙাইতবা ফাওদে, মরাইবকপু চৈদে, হেন্নদুম পেন্থোকই। মাগী শৈরেং 'Who am I' হায়বসিদা মানা হায়রি, "See not my body, see my soul.../I am a woman.../I am proud being the woman of my choice." (P.07) অমুকসু হায়, নুপী ওইনা পোক্লবগী লানবা নত্তে, লাইবক্লা ৱাহনবা ঙাক্তনি। মদু থেংনবা তাই।মাগী ৱাহৈদা, "So gentleman.../the folly is not in women/Destiny coaches it all/yet I learn it now." মশানা চেকশিঞ্জরগা লোইরে হায়বা ঈঙ্গিৎনি। অদুনা মাদি তহা তহাদে, থমোয়দা নীংজবা কয়া লৈরবসু। মাদি মাগী মপুং মরৈ ফারকপা শাবান্দা মমিৎ উইশিঞ্জবী নুপীনি। মানা হায়জৈ মাগী থমোয়দা লৈরিবা অকিবা অসি কোক্ত্রিমখৈ, কন্যা ওইবা ঙমজখিরোই হায়না। মনুং মতম চাদ্রি হায়দুনতা খঞ্জরিবনি। মাগী ৱাহৈদা, "The pain I know the first touch would cause/...the midnight horror, the shrivelling beyond recognition/I am not ready to be a bride" (I fear, P.7) ইকাই হঙ্গোইবা, নুংগী ৱা অখাকপা লৈতনা হায়দোকপা ঙম্বী অইবীনি হায়বদু পরেং খরা অসিনা তাকচরে। মাগী অসুক কিগনবা থমোয়সিনা কনাগুম্বা অমবুদি অদুম ঈরাৎচরি। মসিদি হৌনশানি। কমলা দাসকী ৱাখল্লোনগা চপ মান্নৈ। য়ূম পান্দবদি য়ারোই। মহাক অদুদা মাগী ৱাহৈ অমদি ফোঙদোকচবা ঙমজখিদে। কাউথোকপসু ঙমদে। মাগী ৱাহৈদা, "He came to my life unanounced/Tiptoed, akin to wind/touching me, caressing me/and sometimes playing with my hair" (Yet I still think of him... P.67)

নুপী ওইবীগী পুন্সি কনাগুম্বা অমগীনি হায়বসি অইবীনা খক কাউদে। মতম পূম্বদা মশাবু মীগীদমক শেন্নদুনা থমজৈ, প্রমান অমদা মানা নুংশিৎনা মশম হুমগৎলকপদা মোইরাং থোইবীগুম হায়জৈ, "Don't blow away my tresses/.../I have to keep it downy/it is somebody's chattel." (Dont' blow away my tresses, P.71) য়াম্না চেকশিনবা খোন্থা অমনি হায়নীংঙি।

অদুবু অদুক চেকশিন্না থমজবা মরলদু নুংশিবা কৌবদুনা মাবু মীনল্লক্লবদা থমোয় পূমহাঙ হাঙলকই। মাগী থমোয় থোঙলোন কয়া হাংদুনা চঙলকখিবনি মহাক অদু। অইবীগী থমোয় পুমথন থনখিবনি। মাগী ৱাহৈদা, "At long last came 'he'/My doors of a heart/time without end/He shuts all doors/...the heart is sealed with his love" (Many doors of a heart. P.104) অদুবু মীনন্বীরবা থমোয় অমনা করি হায়রুরনি। তুমিন লৈবা নত্তনা। অইবীনা হায়রি তুমিন্না লৈবনা হায়গদবা লোইনা হায়খ্রবনি পেন্দবগী। মসিদি অনৌবা ৱাকৎ অমনি হায়নীংঙি। মানা কয়াম পেন্দনা হায়বগে হায়বদু য়েংবা য়াই, "He said he loved me/...but/In the end it is only the flesh that he had meant/In the end it was only his needs that he had been talking about" (His love or lust, P. 109) অদুনা অইবীনা ঙসিদি নুংশিববু থাজবা লৈত্রে। পূম্নমক মীনম্বা ওইরে। অদুনা মাগী অপাম্বদি শিবা ঙাইবনি। মাগী ৱাহৈদা, "Loving I is not real/I wish that it's all a lie/that, it's just a horrific trance/...it's a measured death" (A measured death, P.97)

য়ামখ্রে, অইবী বোন্দিনানা ফোঙলক্লিবা নুপা নুপীগী মরীদা। অদুবু লোইনা পাউদম্বদি মফম্না য়াদ্রে। লাইরিক অসিদা অতোপ্পা মশক অমগা উরি। মদুদি মমাগী মৈচাক্তা মহাক য়াওশিনবা। জাৎ তিন্নদবা, কলচর তোঙান তোঙানবা মমা মপাগী মচা ওইরুবনা মমানা নহালমখৈ তুমিন্না লৈরকপদু অইবীনা ওন্থোক্লা নুংশিনা হৌজিক্তা মরম খঙলকই। মদুবু অইবীনা ওন্থোক্লা অর্থ লৈনা ইরি, "Ema, I can comprehend your stillness/I can sense your barrenness/utter your phrase now/Your reflection is indispensable/Ema/I hear you/now" ওন্থোক্লা নুংগী ভাব ফজনা ফোঙদোকপা ঙম্মী খল্লি। মসিদা নত্তে, মবোক্কী, মপাবুংগী, মপাবুং অহল, য়াইমা, পাবুংচা লোইনা শৈথাবা শৈরেং য়াওরি। অদুদগী হেন্দোক্তুনা মৌপ্বা নুংশিবা অদুগী শৈথাবা য়াওরি। মসিনা লাইরিকসি মীনুংশিনা থলহল্লি।

ইতোপ তোপ্পা মশক অমগা হায়রবদি অইবীনা পুন্সিবু মনুং ফাওনা উবা ঙম্বা অসিনি। চহী মতাংগা চানদনা পুন্সিবু মশক খঙবা অসিমদি থাগৎতবা ঙমদে। মানা হায়রি, "Life never takes a U-turn/Push it harder/Up...Up... just a little Higher/a little more higher" (Just a little higher, P.55) অচুম্বা মিৎয়েংনি। মসিদগী হেন্না লুথনা অমুকসু অইবীনা খল্লি। পুমহাঙ হাঙবা, কৈসু লৈত্রবা মপান নাইদবা অমা। মসিদি পূম্নমক্কী হৌরকফম পূম্নমক্কী লোইফম অদু মশক খঙবনি। অদুগুম্বা হৌরকফমদুবু অইবীনা 'a secret abode' কৌজৈ, থৱায়গী লমদমনি। মশক খঙলুবদি ঙমদ্রবা। অদুনা অইবীনা হায়রি, "This vacuum/it's either entirely or not anything/not whole I cannot stay alive/I die/this vacuum" (This Vacuum, P.9) অরোইবদা লৈহৌদৌরিবসি তরং মালং অসিতনি, কনাসু মপূং ফাবা লৈতে হায়বা ৱাখল্লোন্নি। ফজৈ হায়নীংঙি।

অরোইবদা, অইবীগী light Vein দা ইবা ফজবা শৈরেং অমসু য়াওরি। 'My cunning blanket' কৌবা। চন্না ফজখ্রে। অদুগী মথক্তা সিম্বল শীজিন্নদুনা ইবা য়াম্না Satirical ওইবা শৈরেং অমসু ইরি, 'Eraser' কৌবা। মসিদি ফজদে হায়বা ঙমদে। Eraser ওইনা পোক্লগা লাইরবগী পি তৈথোকপীবা, অচৌ-অশাংশিংগী নুংগী অমোৎপা কয়া মুথৎপা ঙল্লবদি পেঞ্জগনি হায়রি। অদুবু অইবীনা চুম্না হায়রি, অদুম তৌরুরবদি মাগী পুন্সিদি খাঙত্থক্তা মাঙবদি শোয়দ্রে। মতমসিগী চুনবা শৈরেংনি।

লোইশিল্লকপদা পল্লমদবা ঙমদবা শৈরেং অমদি 'My Magic Veil' হায়বা অসিনি। অইবীনা ছাত্রি ওইরিঙৈদা মাগী হোষ্টেলগী কাগী থোঙনাওদা য়েংথোকখিবদা খল্লকপা ৱাখলনি। ওন্তোক্লা মচু তানা তেন্না সেন্সিবিলিটি ৱাংনা ইখ্রে। Poetic Rhythm ফজনা হাপ্পা ঙম্মী।

তশেংনা হায়রবদা ডা. বোন্দিনা এলাংবম মথৌনা লৈনা, frankness and sincerety য়াওনা চঙশিল্লক্লিবা অইবীনি। মদুসু নুপীগী ইশ্যুদা, মদুসু ইংরাজিদা। ফজবা লাইরিকনি, তৌবতবু বনান অমদি গ্রামাটিকেল মিষ্টেক হিয়র এন্দ দিয়র অমা অনীদি থেংনৈ। মথঙগী এদিসনদা চুমথোক্লক্কনি থাজরি।

# “খোন্নাংগী মমল”

## হিন্দীদা ইবা মুন্সি প্রেমচন্দগী ৱারীমচা ‘মানসরোবর-২’ / মীতৈলোন্দা ঃ লৈমপোকপম বেদান্তী

*হৌজিক্তি* অচৌ-অচৌবা সহরশিংদা নর্স, নুপী ডাক্তরনচিংবা কয়া লৈরে অদুবু অথাপ্পা খুঙ্গংশিংদদি চাবোকশঙশিংদা অমাং-অশোয় শেংবীগী থৌদাং য়াম্না চাউরি, ফনা কুইনা মসি চৎনখিনি হায়না খল্লি। বাবু মহেশনাথ খুঙ্গংসিগী জমীন্দারনি, লাইরিক লাইশু হৈ, লোয়ননা মহাক্না চাবোকশঙশিং শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না খল্লি অদুবু মসিদা লাক্লিবা অপনবশিংসিদি মা ঙাকথোকপা ঙমগদ্রা? কনাগুম্বা নর্স অমত্তা খুঙ্গংদা লাক্লিংদে, য়াম্না হায়জরবা মতুংদা লাকপা য়ারবসু মখোয়না হায়রিবা ফীদু তাবদা বাবু সাহেবতু মরু লুকথদুনা হল্লকপা নত্তনা উপায় লৈতে। নুপী ডাক্তরগী মনাক্তা চৎপদি শুকঙম ঙমদ্রে, মাগী ফী পীনবা হোৎনবদা জমীন্দার বাবুগী লৌচা তঞ্খায় অমদি য়োনবা তাবনি, মরমসিনা মচানুপী অহুমগী মতুংদা পোক্লকপা অতাংবা মচানুপাদুসু চরুগী মোনপাক্তা। অঙাং পোকপসি অয়াম্বা মতমদা অহিং নোংয়াইদদা পোকই। নোংমা অহিং নোংয়াইদা চম্প্রাসীনা অমাং-অশোয় শেংবী ভুঙ্গীগী থোঙদা থিল্লকই, মানা অসুক্কী মতিক কন্না থিনখ্রে, য়ূমলোন-কৈরোন্নবশিংসু লোয়না হৌগৎনরক্লে। নুপী ওইরবদি তুমিন্না কৌগদবা, ভুঙ্গীগী ময়ূমদা অসিগুম্বা নুংঙাই-য়াইফবা পুংফম অসিগীদমক্তা থা কয়াদগী থৌরাং তৌরক্লি, ঙাইরক্লি। নুপীমচা ওইবীদবা হায়দনা পূক্লিংদা নীংলি মরমদি নুপী ওইরবদি সাড়ী অমগা লুপা অমগদং ফংগনি। হীরমসিদা মতৈ মনাও য়াম্না নৈনখি, শিংনখি। ভুঙ্গীনা হায়- হন্দক্তি নুপা শোয়দনা ওইগনি, নুপা ওইরমদ্রবদি ঐগী ইশকসি ফাওবা উৎলরোই, খুদম চাংদমশিংসি নুপাগীনি। মদুদা মাগী নুপানা হায় - য়েংউকো শোয়দনা নুপী ওইগনি, নুপী হেক ওইরমদ্রবা নাতোন শুমাংগী কোইসি লোয়না ককথৎকে।” অসুম্না নুপা পাম্বগী ৱাখলনা হেন্না কনশিলহনবা অসিনা নুপা শোয়দনা পোক্কনি হায়না খল্লি। ভুঙ্গীনা হায় - কোইজোম্বা নকোইদু শিৎ নান্না কোকথৎলো। মাগী নুপানা খুল্লকই - ককথৎকে, নুমিৎ হুমনি লৈরগা হৌরক্কদৌবা লৈরসিবু। মাগী নুপীনা মঙোন্দা খুবী উৎলম্মী অদুগা থা অহুমদা ঙাইরিবা মচানুপাদুবু মাগী নুপাদা শিন্নরম্লগা মাবু কৌবা লাক্লিবদুগা চৎমিন্নখ্রে। মাগী নুপানা কৌরকই - তারিবরা? করিনো কদায় চৎলিনো? ঐসু নুংঙাইবা ফোঙদোকপা চৎকদৌরিবনি, সিদি কনানা শেন্নহৌগদৌরিবা!” মাগী নুপীনা লাপ্পা পাউখুম পীরকই - “লৈবাক্তা অদুম শুল্লগা থনমউ ঐ লাক্লগা খোম পীথক্লগে।”

মহেশনাথনা ভুঙ্গীবু ওন্থোক্লা লুনা তৌরে। অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং অহাও-অহাওবা অচা-অথক কয়া পীজরি, লোয়ননা মাগী নুপাবুসু মবুক থন্না পীজরি। মাগী হেক মচানুপাদুদি নোংমদা খোম অমুক্তং পীথকই, মাগীদমক শঙ্গোম খরদি থৌরাং তৌই। ভুঙ্গীগী খোমদি জমীন্দারগী মরায়বক ফবা মচানুপানা ওইনা থক্লে। অসুম্না য়ূম শেংবা নুমিৎ ফাওবা চত্থরি। য়ূম্বুরেম্বী মশা-মউ ফৈ, অদুবু হন্দক্তি খোম মরিক অমা ফাওবা থোক্ত্রে। মচানুপী অহুমগী মতমদদি অদুক্কী মতিক মরাং কায়না থোকখ্রে, মচানুপীশিংদু তূম্বা ঙমদদনা কয়া ৱানখ্রে। ভুঙ্গীদু অমাং-অশোয়সু শেংদোক্লি অদুগা খোমইনবীসু ওইরি। য়ূম্বুরেম্বীনা হায় - ভুঙ্গী, নঙ ঐগী ইচাসি য়োকপীয়ু অদুগা নঙনা হিংলিবা ফাওবা অদুম থাক্কে। লম বীঘা মঙা পীহনগে, নচা-নশুগী মতম ফাওবা অদুম নুংঙাইরনি। ভুঙ্গীসু অমুক হায় - “মমৌ ইবেম্মা, মরু কোকপা মতমদা খুজি পীগদবনি, ঐদি হায়হৌরিসিনিকো।” য়ূম্বুরেম্বীনা - হোয়নে, হোয়নে, ঐবু কিহল্লিদি করিগীনো? লুপাগী পাম্বরা, সনাগী পাম্বরা? ৱাহ! মমৌ ইবেম্মা, লুপাগী খুজি শিরগা কনাদা শকসি উৎলুনি, মীনা নোক্লখিনি।” “হোয়নে, হোয়নে, সনাগী লৌনে।” “অদুগা লুহোংবদনা ঙক্তা শিনবা লৌদোইনি অদুগা চৌধরীগীসু খুত্তা শিনবা সনাগী মরী অমা পীগদবা।” “লৌনে, লৌনে, তাইবঙ মপুনা মদুদা থোকপা ওইহনবীসনু।” ইমুংদুদা য়ূম্বুরেম্বীগী মথংদা ভুঙ্গীনা পাল্লি। কোল ফেংবী, চাকথোংবী, মীনাই-মীশল খুদিংমক মানা হায়বা লোয়না য়াই। অদুদগী হেন্দোকখ্রদুনা য়ূম্বুরেম্বী ফাওবা মাগী মখাদা লৈ। অমুক্তি মানা মহেশনাথ ফাওবা চৈরম্মী, মানা নোক্তুনা ৱাদু থৈদোকই - “হৌজিক্তি অমাং-অশোয় শেংবীসু য়াম্না চাওরেনে। মানা মখা তারকই - তাইবঙপানসিদা ফনা অহোংবা লাক্লবসু অমাং-অশোয় শেংবীদি অমাং-অশোয় শেংবী ওইনা অদুম লৈগনি, মখোয়বু মী ওলহনবা হায়বসি অৱাবগী মশকনি। “মসিদা ভুঙ্গীনা হায়রকই - “মপু ইবুংঙো, অমাং-অশোয় শেংবীনা অচৌ-অশাংশিংবু মী ওইহল্লিবনি, অদুনা মখোয়বু করম হায়না মী অমুক ওইহনদোইনো! অতোপ্পা তাঞ্জা অমদা ওইরবদি ভুঙ্গীদু হিংলরোইদবনি অদুবু ঙসিদি জমীন্দার বাবুনা নোক্লদুনা হায়রকই - “ভুঙ্গীসে অচুম্বা ঙাক্তা ঙাংইকো।”

অসুম্না চহী অমা হৌখরে। অশেংবা মীশিংনা অঙাংদুনা ভুঙ্গীগী খোম থকপদু য়ানিংদ্রে, মোটেরাম শাস্ত্রীনা পাপ কোকথোক্লবা ৱাফম থাঙ্গৎলকই। খোংমবুদি থকহন্দ্রে অদুবু পাপ কোকথোক্লবগী ৱাফমদুদি তোকখ্রে। মহেশনাথনা শাউনা হায়রকই - “পাপ কোকথোকপা হায়ববু করিনো, ঙরাং ফাওবা মাগী খোম থক্তুনা য়োক্লকপনি, হৌজিক্না শোক্ল-পন্নবা য়াদবগী ৱা অমুক হায়রে, নখোয়গী ধর্ম্মসিবু করিনো? শাস্ত্রীজীনা মাগী শিখাদু ফর-ফর হাইরদুনা হায়রকই - ‘মসি অচুম্বনি, ঙরাং ফাওবা অমাং-অশোয় শেংবীগী লু-তোং থক্তুনা হিংলকখি, অদুবু ঙরাংগী ৱানা ঙরাংগীনি ঙসিগীনা ঙসিগীনি। জগনাথপুরীদদি অমাংবা-অশেংবা লৈতে, পূম্নমক চাফম অমত্তদা পূন্না চামিন্নৈ অদুবু মফমসিদদি মদু য়াদে। হকচাং ঙমদ্রবদি ঐখোয় ফি য়াওনা চাক চাই, খিচরী ফাওবা চাইদনা অদুবু ফরবা কান্দদি চৎন-কাঙলোন ঙাকপা তাবনি। ইশাগী লাইনীং ঙাকপা হায়বসিনা অথোইববনি।” “হায়বগী ৱাহন্থোক্তি লাইনীং হায়বসি অহোংবা নাই হায়বনিনে, ঙসিনা অমা হয়েংনা অমা?” “নৎত্রবদি? নিংথৌগী লাইনীং অমা, মীচমগী লাইনীং অমা, ইনাকখুনবগী লাইনীংনা অমা, লায়রবগী লাইনীংনা অমা। নিংথৌ-নিংথৌরেলশিংদি অপাম্বা চাই, চামিন্ননীংবা মীগা চামিন্নৈ, মখোয়গী অথিংবা লৈতে, অপাম্বা মীগসু অদুম লুহোংই, মখোয়দি অঙম্বনি। অথিংবা লৈরিবদি মরক্তা লৈরিবা ঐখোয়সিনি।” পাপ কোকথোক্লবদি তৌদ্রে অদুবু ভুঙ্গীদু ফম তারে। মখোয়না পীবিবদি পুবা ফাওবা হেক ঙমদবমখৈ পীরে, সনাগী খুজিসু ফংলে, সাড়ীদি অমত্তা নত্তে, ফজখ্রবা অনী ফংলে। নুপী পোকপা মতমদা ফংখিবদুগা য়াম্না খেন্নৈ।

চহীদুদা প্লেগ লায়না য়াম্না কন্না শন্দোরক্লে, ভুঙ্গীগী নুপাসু অহানবগী লায়চৎতা য়াওখ্রে। ভুঙ্গীদু নাইতোম তাহৌরে অদুবু হিংবদি অদুম হিংলি। খুলগী মীয়াম্না ভুঙ্গীবু য়েংশিল্লি অদুবু চহী মঙা হৌখরে, মাগী মচানুপা মঙ্গলদু নাদুনতা লৈ, অদুবু খরা-খরদি চৎপা চেনবা ঙল্লে, সুরেশকা ওন্থোক্লা খেন্নখ্রে। নোংমদি ভুঙ্গীনা মহেশনাথকী য়ূমগী খোংবাল শেংলি, অমোৎপা পৈশিল্লকপা কুইরে অদুনা মরম ওইদুনা শুমাংদা ঈশিং তুংদুনা লৈরে। খোংবালদুদা ৱা অশাংবা অমনা কন্না থিন্দোকপা লাক্লরি। মখূৎ য়েৎতুনা খোংবালদা হুমজিন্দুনা কোৎলি, খঙহৌদনা খংলাউ লাউরগা মখূৎতু খংশৎ শৎতোরকই, তাঞ্জাদুমক্তদা অমুবা লিন অমা খোংবালদগী চোংবোই লাকপোই চেন্থোকখি। মীয়াম্না মদু হাৎতোক্লে অদুবু ভুঙ্গীবুদি কনবা ঙমহৌদ্রে। মখোয়না খল্লুবদি ঈশিংদা লৈবনি হু চেল্লমলোইসিনি অদুবু মশা পূম্বা মুশিল্লক্লে অদুগা থক-থক নিক্লক্লে, খারৌ ওইবজাৎনি। মঙ্গলদু হৌজিক্তি লমজা ওইরে, নুমিৎ চুপ্পা অমা মহেশনাথকী কোন্থোংদা কোয়চৎ চৎতুনা লৈ, চাবগীদমক্তদি মখোয়দগী হুন্দোরকপা লুখাক্তুনা অঙাং নিপাল-মাপলদি য়োকপা কোন্ননি।

মথং-মথং